# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-07-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কানতো সবলদা মখা তানা পামদবা থৌদোক থৌদোক্তনবা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং থমখ্রে। মফম অদুদা মখা তানা পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ লৈত্রি।

ঙরাং থোকখিবা য়ুম মৈ থাবগী থৌদোক অদুবু মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনি সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে হায়রি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-রাজ্য অসিদা মতম কয়া শান্তি লৈরুরবা তুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অমুক থোরকপা অসি সরকারনা তরাইনা লৌদে। মসি রাজ্য অসিগী শান্তি কায়হন্নবা থৌওং অমনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা হায়রি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীয়ামনা পুকিং ফাথনা অমদি তোকঙা শন্দোকপীদনবা মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌরি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসি শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা লৈহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তাদগী ব্রাউন্দ সুগর কিলোগ্রাম ৫ গা লোয়ননা মীওই অমা ফারে। মীওই অসিদগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ৮৩,৭৭০ গা লোয়ননা টাটা পঞ্চকী গাড়ি অমসু ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা হরিয়ানাগী এন.দি.পি.এস. কেসকা মরী লৈনবা মীওই অমা চুরাচান্দপুরদগী হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ফারে। মীওই অসি দ্রগকা মরী লৈনবা ক্রাইমশিংদা শিজিন্নবা শেল ওইনা লুপা লাখ ২৯ লিশিং ৪২,৪০০ অমসু ফাগৎলে হায়রি। হায়রিবা মীওই অসি হৱালা ট্রান্সজেক্সনদা

চেন্নবা মীওই ওইরম্বা য়াই হায়রি। মীওই অসি চুরাচান্দপুর জিলাদগী ফাগৎলকপা পোৎলমশিংগা লোয়ননা হরিয়ানা পুলিসতা শিন্নখ্রে।

**গেমস (এল)ঃ** অহানবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস ২০২৬ লোয়শিনবগী থৌরম ঙসি মোইরাংগী চেংগৈ লম্পাক্তা পাঙথোক্কনি।

থৌরমদুদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহসু শরুক য়াগনি।

**রাজনাথঃ** বিশ্বখাপতনমদা লৈবা ইষ্টর্ন ফ্লিটতা লৈবাক অসিনা শাজবা ষ্টিলথ ফ্রিগেট আই.এন.এস. মহেন্দ্রগ্রীরি ভারত নেভিদা খুৎশিন্নবগী থৌরমদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহবু মনিপুর মচা-কম্মান্দেন্ট-রোসসিলিন অসেমনা থৌরম অদুদা গার্দ ওফ ওনর পীখ্রে।

লৈবাক অসিগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাই ওইবা ভারত নেভিগী লালগী জহাজ অমা খুৎশিন্নবগী পুৱারী ওইহৌগদৌরিবা থৌরম অদুদা মনিপুর মচা-নেভেল ওফিসার অমনা গার্দ ওফ ওনর পীখিবা হায়বসি রাজ্য অসিগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইনি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি গুজরাটকী অহমেদবাদতা লুপা কোতি ৪০৫ রোমগী ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসনগী মীয়ামগী কান্নগদবা প্রোজেক্ট খরগী উরেপ উয়ুং তমগনি খরনা শঙ্গাগনি।

থৌরম অসিদা মন্ত্রিনা মহাক্কী লোক সভা কেন্দ্র গান্ধিনগরদা পাক শন্না উ থাবগী থৌরম অমসু হৌদোক্কনি।

**অশ্বিনিঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা লৈবাক অসিদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স, সেমি কন্দক্টর অমদি

ইলেক্ট্রোনিক্সকী তোঙান তোঙানবা হীরমশিং চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা হায়দ্রবাদনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি।

হায়দ্রবাদতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী অশ্বিনিনা হায়-ভারতকী আই.টিগী সেক্তরদা লৈরিবা থবকশিং হান্না লৈরম্বা মওং অদুদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স হাপচিনদুনা হেন্না খুমাং চাউশিলহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। লৈবাক অসিনা চংশিল্লক্লিবা চাউখৎপগী লম্বীদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্সনা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। মসিগীসু মথক্তা সেমি কন্দক্টর য়াওনা ইলেক্ট্রোনিক্সী পোৎলম কয়া অমদি মতমগা চুন্নবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপা তঙাইফদে। মসিনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু মপুং ফানা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা হেন্না মতেং পাংগনি।

**কমিতিঃ** ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সনগী জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কমিতিগী চেয়ারমেন অমসুং সংসদ সদস্য-পি.পি. চৌধরিনা হায়রি-লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী মীফম অমুক্তদা পুন্না তৌবনা সরকারগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহনবগা লোয়ননা চাদিংসু হন্থহনগনি অমদি লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভমদসু ফগৎহনবা ঙমগনি।

গৱাদা পাউগী মীফম অমদা শ্রী চৌধরিনা হায়-রাজনিতি দল পুমমক্তগী মীহুৎশিং খনগৎতুনা শেম্বা মীওই ৪১ গী কমিতি অসিনা মফম মফমশিং চৎতুনা সরকারগী মীৎয়েংশিং, রাজনিতি দলশিংগী ৱাখল্লোন, সিভিল সোসাইতিশিং অমসুং অতৈ ষ্টেকহোল্ডরশিং অমদি সংবিধানগী খঙ হৈরবা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নরি। থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা গৱা অসি খোঙচৎ অসিগী ৯ শুবা রাজ্য ওইরি। মহাকা হায়-ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সননা নোংমখক্তংদা লৈবাক শিনবা থুংবদা মীখল পাঙথোকসি হায়বা নত্তে। চহি মঙাগী মনুংদা লোক সভাগী মীখল অসি তাঙ্কক নাইনা পাঙথোকসি হায়বনি। মহাকা হায়-মীখল ঙাইহাক লৈতনা পাঙথোকপনা শিক্ষা, টুরিজম, উদ্যোগকী পোৎথোকশিং

পুথোকপা, সরকারগী থবক থৌরমনচিংবশিংদা অপনবা কয়া পীরি।

**বেঙ্গোলঃ** নোংচুপ বেঙ্গোল সরকারনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোডকী দ্রাফট বিল য়েংশিন্নবা মীওই ৯ না শাবা কমিতি অমা শেমখ্রে। থবক্তগী পোত্থখ্রবা জষ্টিস-রঞ্জানা প্রকাশনা কমিতি অদুবু লুচিংগনি।

মেঘালয়গী হান্নগী রাজ্যপাল-তাথাগত্তা রোইস্ কমিতি অদুগী মেম্বর অমা ওইনা শরুক য়াগনি। রাজ্য অদুগী য়ুনিফোর্মে সিভিল কোড দ্রাফট বিল য়েংশিন্নবগীদমক কমিতি শেমবা থা অসিগী অনিদা নোংচুপ বেঙ্গোল সরকারগী মন্ত্রি-মন্দলনা ৱারেপ লৌখিবনি।

**হিঃ** ভিয়েটনামগী ফু কু ইথৎ মনাক্তা হি লাকপগী  থৌদোক্তা ভারত মচা মীওই ১৫ শিরে, মীওই ৩২ অমসুং ক্রু মেম্বর মরি তোংবা হি অদু হি অদু হোন মে রুট ঙোঅই ইথৎতগী মিটর ৪০০ রোম লাপ্পা মফম অমদা মথক মখা ওনখিবনি। হি অদুদা তোংলকপা মীওই ২১ দি কনবা ঙমলে হায়রি।

ভারতকী এম্বেসিনা হায়-ভেয়েটনামিস ওথোরিটিজনা পীরকপা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মমিংগী লিষ্ট অদু এম্বেসিদগী খঙবা য়াগনি। লৈখিদ্রবা ১৫ অসিগী মনুংদা তামিল নাদুগী ১০, অন্ধ্র প্রদেসতগী অহুম অমসুং কেরলাদগী অনি য়াওরি। মখোয়শিং অদু ভিয়েটনামদা লম কোইবা চৎখিবা ঙাক্তনি।

উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অদুদা থম্মোয় শোকা অফাবা ফোংদোকখ্রে।

**ফিফাঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপকী অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচকী ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং পুং ২ মখায়দা শান্নখিবদা ইংলেন্দনা নোররেবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। অরোইবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ হৌজিক আরজেন্তিগা স্বিটজরলেন্দ শান্নরি। হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা আরজেন্তিনা

পাঞ্জল অমা চনখ্রে।

সেমি ফাইনেল মেটচশিং থা অসিগী ১৫ অমদি ১৬ তা শান্নগনি। ফাইনেল থা অসিগী ২০ দা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন অসি কুকিশিংনা কানতো সাবলদা মীতৈগী য়ুম তরুক মৈ থারম্লে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা সব হেদলাইন ওইনা হৌরকপা ইরাং লাকশিনবদা মী মঙা শোকখ্রে, মৈ থাবদা চেন্নবা খরা ফাগৎখ্রে হায়নসু ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি ঙসি ফোংবা পাউচে খুদিংমক্তা তোঙান তোঙানবা মওংদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

কন্তো সাবলদা মীতৈশিংগী য়ুম মৈ থাবদা চেন্নবা অনি ফারে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

কানতো সবলগী থৌদোক্কা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউদা ফোংবা পাউ অমদা-চীফ মিনিস্তর খেমচান্দনা হায়-অথুবদা মোপ কন্ত্রোল তৌনবা থবক লৌখৎলে। ফিভম কুপা য়েংশিল্লি হায়না হেদলাইন পীরি।

চান্দেলগা চুরাচান্দপুরগা ফাওননবা নৌনা শারিবা থোং অসি থিংজিল্লগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমদা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

নাগাগী মীওই তরুক হাৎখিবগী থৌদোক অদুগী অচুম্বা ৱায়েল পীগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমদি উনিংথৌ উয়োগ প্লানটেসন দ্রাইব মুখ্য মন্ত্রিনা হৌদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পিপলস ক্রোনিকলদা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ইম্ফালগী য়ু.পি.ঐচ.সি. অমনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লায়েংশঙদগী ডাক্তর

মশিং হেল্লি হায়বা হেদলাইন অসি সনা লৈবাক্তা মরুওইবা পাউ অমা ফোংবা থেংনরে।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইনদা-মীতৈ অয়াম্বনা এস.টি. দিমান্দ শৌগৎলি হায়না ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা থল্লকপা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। গভরমেন্টকী থৌরমশিংদা ষ্টেট সোং হান্না শল্লবা মতুংদা ভন্দে মাতরম অমসুং জন-গনা-মননা তুং ইনগদবনি হায়না গৃহ মন্ত্রালয়না থল্লকপা ৱাফম হুইয়েন লানপাউদা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

তাদুবী-উখ্রুল লম্বী শেমজিনবগী থবক নৌনা লেন্দস্লাইদ থোকপদগী থিন্থহল্লগনি হায়বা হেদলাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা ফোংবা থেংনরে।

কাংলুপকী ইরাংনি হায়না অদুম্মক লৈরবদি ইরাং অসি লোইবা নাইরোই হায়না-বৃন্দানা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমদা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। এ.আরগী পার্সোনেল অনি শিখ্রবা মতুংদা পাক শন্না ওপরেসন চথরি হায়বা হেদলাইন অসিসু পোকফমদা ফোংবা থেংনরে।

গোভাজাং খুলদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীওই অমা শিরে হায়বা হেদলাইন অসিনা নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।